# ‘প্রসিদেন্ট রুল নত্তনা অতৈ ওপিনিয়ন লৈত্রে’

***য়ু এন সীনা*** চথুরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি হৌজিক থা ৩ ফাজিল্লক্কদৌরে। পাউচে ময়াম্না ইকোন কোন্না মসিগী মরমদা ইনরক্লিবশিং অদুদি :- ১) সেন্তরনা নবেম্বর ১৫, ২০১৬ তা কাঙলুপ অহুমগী ওইবা মিটিং অমা দেল্লিদা কৌখি। মদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ লাকখিদবদগী পাঙথোকখিদে। মরকসিদা, লো এন্দ ওর্দর অসিদি ষ্টেটকী সবজেক্ট ওইবনা, সেন্তরনা মণিপুর গভর্ণমেন্টপু লো এন্দ ওর্দর লাকশিনবা ঙমদ্রে হায়না মরাল কয়া শীরি। নাকল অমদনা ষ্টেটনসু এন ঐচ ২ অসিদি নেসনল হায়ৱে ওইবা মরম্না সেন্তরনা ঙাক শেনগদবনি অমদি মদু ঙমদ্রে হায়দুনা মরাল শীরি। ২) হৌখিবা দিসেম্বর ২২ দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা অইবা চেরোল থাদুনা নেসনল হায়ৱে অনী অসি হাংদোক্তুনা মীয়ামগী নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং ফংহন্দুনা কনষ্টিট্যুসনেল ওব্লিগেসন অদু পাঙথোক্লবা পীরকখি। ৩) হান্না ফোর্স কম্পেনি ১৩৫ লৈবগী মথক্তা সেন্তরনা অহেনবা পেরা মিলিটরি ফোর্স কম্পেনি ৪০ অমসু পীখি। অদুনা সেন্তরনা হায়রিবনা ফোর্সশিং অসি ষ্টেটনা মাগী কনষ্টিট্যুসনেল ওব্লিগেসন অদু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা হেন্না য়ারবনি। ৩) চহীসিগী জান্যুৱারী ১৮ দা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রজানাথনা চেবাউ পীরকপদগী সী এম ইবোবীনা মহাকপু উনখি। পাউচেশিংনা ইনরকপগী মতুংইন্না ষ্টেটনা করিগুম্বা মথৌ তাবা পব্লিক্কী পোৎলমশিংসি পীবা ঙমদ্রবদি সেন্তরনা অতৈ কনষ্টিট্যুসনেল মিন্স শীজিন্নবদা তারক্কনি হায়না রাজনাথনা ইবোবীদা ময়েক শেংনা হায়খি। রাজনাথনা নাগালেন্দ সী এম টি আর জেলিয়াংবুসু কৌদুনা এন ঐচ নং ২ দা মণিপুরগীদমক ইসেন্সিএল আইটেমশিং পুরিবা টেঙ্করশিং নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা য়ৌহনগদবনি হায়না য়াথং তাওথরকখি। মখা তারকপা ওইনা ঐখোয়গী সী এমনা জান্যুৱারী ১৯ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ দা সী ঐচ ক্যুগী মিটিং কৌদুনা এন ঐচ অনী হাংদোক্লবা খন্নখি।

**এন জি ওশিংগী রোল ঃ**

জোইন্ট এক্সন ফোর পিছকী মীওই ১৭ না শাবা টিম অমনা দেল্লিদা চৎতুনা হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অমদি এন ঐচ অনী অসি হাংদোক্লবগী মতাংদা খঙহনবা অমদি তাননবা পি এম মোদি উননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরি। হায়রিবা ফোরম অসি লূপ ৬৪ গী মহুৎ শিনবনি হায়রি। গুদৱিল মিসন হায়বা অতোপ্পা গ্রুপ অমনসু মণিপুরগী গভর্ণর জান্যুৱারী ১৮ দা উনদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি য়ু এন সীগা জান্যুৱারী ২৩ দা ওল সেক্রেটরিয়েট হোলদা পাঙথোক্কদবা মিটিং অদুগী মরমদা খন্ন নৈনখ্রে। অদুবু হায়রিবা মিটিংশিং অমদি পাঙথোক্কদবা মিটিংশিংসি (গভর্ণমেন্টকী ওইরবসু, নন গভর্ণমেন্টকী ওইরবসু) ব্লোকেদ অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা অফবা মমি ইতা তাদবগুম তৌই। মরমদি হায়রিবশিংসি ওবজেক্টিভতা য়াম্না ফরবসু মতম য়াম্না চঙগদবা অমা ওইনা তৌরি। অদুনা মরাল ইরৈ লৈজদবা মীচমশিংসি পনচিং বেগ ওইদুনা অদুম লাক্লি।

হৌজিক মণিপুর অসি অৱাবনা থল্লবা লমদম অমা ওইরি। পেট্রোল মরাং কায়না ফংদবা (ব্লেক্তদি অদুম ফংবা), চান-থক্লবা পোৎ-চৈ/ ইসেন্সিএল আইটেমশিং মরাং কায়না ফংদবা অদুগা অতৈ ষ্টেটকা মান্নদনা এস বি আই বেঙ্কতা হৌজিক ফাওবা ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্পা উবা ফংলি। গভর্ণান্স হায়বদু হৌজিক লৈতে ষ্টেটসিদা। চীংমী তম্মী পূম্নমক্লা খাঙবা য়াবা খাঙলে অদুনা হৌজিক্তি হান্নগী ফীভমদা হঞ্জিনহল্লু হায়দুনা ৱাকৎনরক্লি। মসি করিগুম্বা অতৈ ষ্টেটতা ওইরম্লবদি পার্লিয়ামেন্ট অমদি এসেমব্লি প্রোসিদিংশিং থুগাইদুনা ঈরাং কয়া হৌনরকপা উরগদবনি। অদুবু ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদদি এম পি অমদি এম এল এশিংনা খঙশিন্নদবা অমদি ইন্টরেষ্ট ৱাৎপনা উবা ফংদে। অতৈ ষ্টেটশিংদা ওইরদি নুমিৎ ৩/৪ দা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অদু থক থক নিকখ্রগদবনি, ঐখোয়গীদি লাইবক থিবনা উবা ফংদ্রি।

হায়রিবসি ইবোবী লৈঙাক্কীসু অদুম ওইরে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমদি মথৌ তাবা পোৎলমশিং পুরকপা ঙমদ্রিবসি করিগীনো? লৈঙাক অসিগী মরুমদা করি লৈরবগে? হৌজিক্তি মতিক চাবা ফোর্স লৈরবনা মথৌ তাবশিংসি করিগী পুশিল্লকপা ঙমদ্রিবনো? দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা এস বি আই বেঙ্কশিংদা শাংলবা ক্যু লৈরিবসি সী এম নৎত্রগা সী এসনা আর বি আইদা টেক-অপ তৌদ্রিবা করিগীনো? করিগী দেলি মোনিটরিং তৌদ্রিবনো? হায়রিবশিংসি চম্লবা, তুমিন্না লৈজরিবা মীচম মীয়াম্না হংবা তাবনি। হায়রিবশিংসি ঐগুম্বা ওপিনিয়ন মেকর অমনা হংলকপা তাবনি।

ষ্টেট বি জে পিগী ওইনদি মখোয়না পি আর থম্নবা কন্না তকশিন্দবসি অঙকপা অমনি। হায়রিবা মরুওইবা থবকসি লৌখৎপগী মহুত্তা মখোয় মশেল খৎনদুনা লৈরে। পি আর লাক্লবদি খুদক্তা ব্লোকেদ তোকখ্রগনি অদুগা বি জে পিগী লাক্কদবা ইলেক্সন্দা য়াম্না কান্নগনি হায়বা খঙবা ঙমদ্রিবসি ঐঙোন্দদি য়াম্না অঙকপা অমা ওইনা ফাওজে।

### ওপিনিয়ন মেকর



**ডা. টি ঐচ সুরেস**

Ex-Director, Health Services, Manipur

মতাং অসিদনি হৌজিক নোর্মেন্সি মথৌ য়াম্না লৈরক্লিবসি। মসি পি আর থম্লবদদা পুরকপা ঙমগনি। হৌজিক্তি প্রসিদেন্ট রুল খত্তুনি ওপসন লৈরিবসি। পি এম মোদি অমদি অমিট শাহনা খূৎ থিংজিন্দুনা পি আর অসি থমগদবনি। রাজনাথনা ইবোবীদা দিস্কস তৌবদা মহাক্লা অতৈ কনষ্টিট্যুসনেল মিন্স শীজিন্নবা ঙম্মী হায়না কিহনখিবদু হৌজিক থবক ওইনা থুনা পাঙথোকপা মথৌ তারে। ষ্টেট বি জে পিনা মসিবু কন্না তকশিন্দবা অসি অঙকপা অমনি। পি আর হেক থম্বগা য়ু এন সীনা হৌজিক হৌজিক চথুরিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি অদুম মরন্নাই মথক্তা তোকচখ্রগদবনি। অদুগা ঐখোয়না পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ব্লেম-গেম অদুদগী নাথৈদুনা লৈরগনি; অদুগা লোয়না লোয়ননা ঈং-চিক্লা ভোট থাদবা ফংলগনি।

মরকসিদা ঐখোয়গী চীংমী তম্মী পূম্নমক্লা পূক্লিং ফাৎথনা ঈংনা তপ্পা লৈগদবনি, তোকঙা শন্দোকপা তারোইদবনি অমদি মিসচীফ-মেকরশিংবু থাজরোইদবনি। ঐখোয়না মতম চুপ্পদা নীংশিংগদবদি ঐখোয়গী হৌরকফম অমত্তনি অমদি ইপা ইপু অমত্তনি হায়বসিনি। হায়রিবসি ঐখোয়গী লীরবা পুৱারী, চৎনরোল অমদি পুৱারীনা খুদমনি।

# ফুল্লিংগী অদি-বিম্ব খোঙচৎতা অন্দমান ঈথৎ, সেলিউল্যার জেল অমদি রাণি গিদালু

## ষ্টার কামৈ

***কুমজা*** **১৯৭২** দা লিংখৎখিবা ফুল্লিং কলচরেল ওর্গেনাইজেসন্না জেলেয়াংরোং কলচরগী মশক নাইবা থবক কয়া কুমজা ১৯৮৭ ফাওবা য়াম্না খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিনখি। মসিগী মতুং চহী ২৭ অশিবগা পাঞ্জক ওইখি। কন্না হোৎনদুনা কুমজা ২০১৫ দা অমুক রিওর্গেনাইজ তৌদুনা হিংগৎহনখি। লাইবক ফৰদগী চহী অদুমক্তদা নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা, ন্যু দিল্লিনা শান্তিনিকেটন মনাক দ্বারোন্দাদা ফেষ্টিভেল অমা য়াওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৬ তসু অমুক এন এস দি অমদি অন্দমান এন্দ নিকোবর এদমিনিষ্ট্রেসন পুনশিল্লগা পোর্ট ব্লেয়রগী আই টি এফ গ্রাউন্দদা ফেব্রুৱারী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা চথখিবা ফেষ্টিভেল ওফ ত্রাইবেল দান্স, ম্যুজিক এন্দ থিয়েটর অশুপ্পদা অদি-বিম্ব হায়না খঙনবা অসিদা কলচরেল টিম অমা অমদি সেমিনার পেপর অমসু পর্জেন্ট তৌবিনবা চেবাউ ফংখি। অপূনবা মীওই মশীং ২১ না শাবা টিম অমা ফেব্রুৱারী ২১ দা ইম্ফাল থাদোকখি। ঐখোয় অয়াম্বনা ঈশিংগী লম্বীদা অন্দমান য়ৌনা চৎনীংখি। অদুবু এন এস দিনা মাঙজৌননা পীরকখিবা টিকেটকী মতুংইন্না কুমজা ২০১৬ কী ফেব্রুৱারী ২৫ দা কোলকটাগী দম দম এয়রপোর্টতগী পোর্ট ব্লেয়রগীদমক পাইখি। ঐখোয় অন্দমান চৎনবা চেবাউ ফংবদা ঐখোয় মশেন ৱারী শান্নৈ। অন্দমান ঈথৎপু করিদগী কালা-পানি হায়না খঙনরিবনো? সেলিউল্যার জেল অমদি ঙসি ফাওবা ফি শেত্তবা মীওই কাঙলুপ অমা লৈ হায়রিবা অদুগী মরমদা ঙাঙনৈ। করিগুম্বা কোয়বা চৎপগী তাঞ্জা ফংলবদি লোইনা য়েংনীংখি। প্লেনগী থোঙনাওদগী য়েংথোকখিবদা লোইবা খম্বা নাইদ্রবা সমুদ্রগী ঈপাক অমদি অঙৌবা লৈচিল মপৈ মপৈ নত্তনা অতৈ অমত্তা উদে। পুং ২ গা মিনিট ১০ মুক পাইরবা মতুংদা পোর্ট ব্লেয়রগী ভীর সভাকর ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা মতম চপ চানা লেন্দিং তৌখি।

এয়রপোর্টতা এন এস দি কাঙবুনা ঐখোয়বু ঙাইরম্মী। ঐখোয়না লৈগদবা মফম তান্না গাড়ীনা থিনবী। চাবা থকপা, টেক্নিকেল রিহার্সেল অমদি প্রোগ্রামগী মরমদা লোকেল কো-ওর্দিনেটর ওইরিবা নরেস চন্দর লালনা ঐখোয়দা শুগাইনা তাকই। মহাক অসি এন এস দি পাস ওট গ্রেজুয়েটনি। অন্দমান অমদি নিকোবর ঈথৎকী খ্বাইদগী ইহান হান্না পদ্মশ্রী ফংবা মীওইনি হায়না মশানা শক্তাকচৈ। হোটেল অদুদা ইংগ্রাজি চেফোং অমা লৈরম্মী মদুদা The objective of Adi-Bimb is to create awareness and spread the taste of the rich heritage of tribal culture among the new generations অসুম্না ফেষ্টিভেলগী মরমদা ইবা থেংনখি। নুমিৎ অদুদি ঐখোয়গী লৈফমদগী হেন্দোক্তনা পোত্থানখি। অদুবু অন্দমানবু করিদগী কালা-পানি হায়না খঙনখিবনো? সেলিউল্যার জেলদা চৎনীংবা অমদি রানি গাইদিনলিউগী ফোটো য়েংনীংবগী ঈখৌ লাংবা অসুম অসুম হেল্লকখি।

**অন্দমান নিকোবর ঈথৎ অমদি কালা-পানি ঃ-**

অন্দমান নিকোবর ঈথৎ ইন্দিয়াগী লৈঙাক মনুং চনবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমা ওইনা বে ওফ বেঙ্গলগী মনুংদা লৈবা ঈথৎ অচৌ-পীশক মশীং ৫৭২ না পুনশিনবা অৱাংদা ৬° দগী ১৪° লেটিচ্যুদ অমদি ৯২° দগী ৯৪° ইষ্ট লেটিচ্যুদতা লৈ। অন্দমানগী খা থংবদা লৈবা ঈথৎ পোর্ট ব্লেয়রনা ঈথৎশিং অসিগী কোনুংনি। ইন্দিয়াগী মফম অতৈদগী পোর্ট ব্লেয়র তান্না চৎকে খল্লবদি নোংথক্তা প্লেন্না নৎত্রগা ঈশিং লম্বীদা জহাজনা চৎপা তাই। কোলকটাদগী পোর্ট ব্লেয়রগী অরাপ্পসি কি মি ১২৫৫ নি। চেন্নাই অমদি বিশ্যাখাপতনমদগীদি কি মি ১১৯০ অমদি কি মি ১২০০ নি।

অন্দমান অমদি নিকোবর ঈথৎশিং অসি নীংশিংবা থোকত্রবা প্রি-হিষ্টরি অমদি ভেদিক মতমদগী হান্দুমান হায়না খঙনরম্মী। অন্দমান ৱাহৈ অসিমক ‘হান্দুমান’দগী লাকখিবনি হায়না থাজনৈ। অনীশুবা চহী চাদা রোমান এম্পয়রগী অফাওবা জিওগ্রাফর ক্লানদিউস পকোলেমাকাসনা য়েকখিবা মেপতা অন্দমান য়াওই হায়। এ দি ৬৭২ দা পর্সিয়ান জহাজদা সেলর ওইরকখিবা চাইনিজ ত্রেভেলর টসিংনা ঈথৎ অসি মীহিং চাবা মীশিংনা খুন্দাবা মফমনি হায়। এ দি ৮৭০ দনা আরবকী লমকোয়বশিংনসু মফম অসি মফি শেত্তবা য়াম্না শাথিবা মীহিং চাবা কাঙলুপ অমনা খুন্দাবা লমনি হায়না ফোঙদোকই হায়রি। অন্দমান অমদি নিকোবর ঈথৎশিং অসি বৃটিশ গভর্ণমেন্টকী লেফটিনেন্ট কোলেব্রুক অমদি লেফটিনেন্ট অর্কিবালদ ব্লেয়র অনীনা লুচিংবা টিম অমনা ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৭৮৮ দা লম ওনবা জারিপ তৌবা হৌখি। অসুম্না







হিথাংফম পোর্ট কোর্নৱাল্লিসদা মী তাবা হৌরকখি। মফম অসিবু ওল্ড হারবর অরিবা হিথাংফম হায়না খঙনখি। হৌজিক্তি পোর্ট ব্লেয়র হায়না খঙনরে। কুমজা ১৭৯৬ তগী হৌনা ইষ্ট ইন্দিয়া কম্পেনিনা অন্দমানগী পোর্ট ব্লেয়রদা কোলোনি শেম্বা হৌরে। ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ভোলকেনো (মৈগী চীং) অসি ঈথৎ অসিগী ব্যরেন ঈথৎতা লৈ। ঈথৎশিং অসিদা নেগ্রো হায়না খঙনবা কাঙলুপকী মীওইশিং অসিনা অ্যাবোরিজিনেল য়েলহৌমী গ্রেট অন্দমানিজ ওইনা লৈরম্মী। মখোয় অসি মী উবা য়াদবা য়াম্না শাথিবা শকলোন্না মখোয়গী মনাৎ অমগুম শাগোন্নদুনা হিংলকই। মখোয়না মতম লৈবা খিবিক্তা মখোয়গী লমদা মীতোপ চঙহন্দে। মিশেং খাংই। মখোয় অসি হু য়াম্না কন্না চেনবা লিরুং তেন হেক্তা শীজিন্নৈ। ১৮ শুবা শতাব্দি লোইশিল্লকপা মতম ফাওবা লৈরিবা অ্যাবোরিজিনেল মীশিং অসিগা মীতোপ অমগা নক্লবা মরী থমদুনা মরুপ শান্নবা ওইথোকপা অমত্তা লৈখিদে হায়। মরম অদুনা চাওখৎ লম্বীদা মখোয়বু পুরকপদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইখি। মতম চঙনা কন্না হোৎনখিবগী মতুংদা ঈথৎ অসিগী য়েলহৌমীশিং খরা অমনা উচিন নাচিন্না মীরক তিল্লকপা য়াওখ্রবসু খরা অমদি ঙসি ফাওবা মহৌশাগী মখোয়গী ওইবা পুন্সি মহিংদগী হেন্দোক্ত্রি হায়না গৌরি সঙ্কর পানদেনা মাগী লাইরিক রোস আইলেন্দদা ইরি। হৌজিক্তি লৈঙাক্লা মখোয়গী লৈফমদা চঙবা অথিংবা থল্লে। হায়রিবা মীওই কাঙলুপ অসি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা য়াম্না চাউনা মায়োক্লরি। শতাব্দি ১৭ তগী ১৮ লোইশিল্লকপা ফাওবদা হায়রিবা ঈথৎ অসিদা হান্না লৈরম্বা অরিবা মীগী মশীং অসি ১৫০০ মুক ওইগনি হায়না পানখি। মখোয় অদুগী মনুংদা কাঙলুপ অমদি মীশিং অসুক্কী মতিক হন্থরক্তুনা মীশিং ৩০ মুক্তং লৈরম্বদগী অকোনবগী মীশিং থিবদা হৌজিক্তি মীওই মশীং ৪৫ শুরে হায়না ঈথৎ অসিগী শক্লাইরবা স্কোলর ডা. ফ্রান্সিস জবিরনা ফেষ্টিভেল অদুগী সেমিনারদা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্তি মুৎশিল্লক্লবা মীওই কাঙলুপ অসিবু কন্ননবা দিরেক্টোরেট ওফ ত্রাইবেল ৱেলফ্যের স্কিম, অন্দমান এন্দ নিকোভর এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা মখোয়গী লৈননবা য়ূম শাবীদুনা ষ্ট্রেট ঈথৎতা ঙাক শেল্লি। অদুবু ঙসিসু মখোয়গী পুন্সি মহিং মথায় থায়নগী মহিংদগী মচি লেংদে। অহেনবা অমত্তা লৈতে।

সমুদ্রগী অমুবা ঈশিং মপৈ মপৈনা মাইল ১০০০/১০০০ কোয়শিন্দুনা লৈবা অপীকপা ঈথৎতা খ্বাইদগী ইহান হান্না বৃটিশনা লালহৌবা নমথনবগী মিংদা কলকটাদগী Steam Frigate 'Semiranis' দা মার্চ ৪ দগী মীওই ২০০ বু বন্দি ওইনা অন্দমান্দা থুংলখিবা অসি কুমজা ১৮৫৮ গী মার্চ ১০ দনি হায়না পল্লি। মতম অদুদা জেল লৈতে। অহাংবা নারক মোংশোং, তীল-কাং, নোংজু-নুংশা অদুগী মথক্তা অঙকপা মীওই ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতোপ উবা য়াদবা অ্যাবোরিজিনেল মী ওইনা লৈরিবা দি গ্রেট অন্দমানীসগী হুগী তেন্দা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখি। অসুম্না থেংঙ্খাং কয়াদা বৃটিশনা মীওইচা কয়াবু লালহৌবা নমথবগী মীংদা লেপ্পা লৈতনা হোনজিল্লকখি। লৈফম লৈতবা, অনাবা য়াওরকপা, হিদাক লাংথক্কী খুদোংচাবা লৈতবা অৱাবা কয়া মায়োক্লরবসু লালহৌবা নমথনবগী মীংদা মীওই কয়া কুরাচি (করাচি), কলকটা (কোলকটা), সিঙ্গাপোর, পেনাং অমদি অতৈ মফম কয়াদগী লেপ্পা লৈতনা হোঞ্জিনলকখি। মী কয়া শংলিংবনা হাৎখি। কয়া অমনা সুইসাইদ তৌরগা শীখি। কয়া অমনা চরাম চৎনদুনা মপুন্সি কেমখি। খরা অমনা নানথোকখি হায়। অদুবু ঈশিংনা ইকোয় কোয়শিনবা, কংফালগা মাইল ১০০০ হেন্না লাপ্পা মফম অদু নাম্থোকপা ঙম্লমগদ্রা? লানথোকখিবা অয়াম্বদি মীতোপ উবা য়াদবা অ্যাবোরিজিনেল মীওইশিংগী মখূৎতা তাখি। মখোয় অমত্তা হিংখিদে।

বৃটিশ লৈঙাক্লা পেনাল কোলোনি অমা শেমগৎতুনা থম্নবা কাংলোন য়াৎপা হৌখিবা সিপোই মুনিটি হায়না খঙনবা কুমজা ১৮৫৭ গী অহানবা নীংতম লান অদু মতুংদনি। কুমজা ১৮৫৮ গী জান্যুৱারী ১২ দগী বৃটিশকী ফিরাল অন্দমান ঈথৎতা পাইবা হৌরে। কুমজা ১৮৬৭ তা ভাইপর ঈথৎতা অপীকপা জেল মচা অমা শাবা হৌখি। মদুদসু লোইনা চনদে। মরম অদুনা বন্দিশিং অদু য়োৎহ্লিং কোলৌ চলহল্লগা লমহাংদা থল্লম্মী। অদুগা পুশিল্লকখিবা বন্দিশিংদি চহী খুদিংগী ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকখি। বন্দিশিং অসি অয়াম্বা রেভল্যুসনরি ফ্রিদম ফাইটরনা অয়াম্বনি। মখোয়শিং অসিবু মখল কয়াগী থবক্তা শীজিন্নরম্মী। জঙ্গল কোকথোকপা, লৈবাক থোনবা, লম্বী শেম্বা, রবর শুংবা, থৌরি তাবা, নূং থুগাইবা, চেক শাবা, কোলু লৈবা, লং নাইবা, উ খায়বা, ঈশিং অমদি কংফালগী থবক পূম্নমক শুহল্লি। কুমজা ১৯০১ দদি বন্দি নুপা ১৫,১৫৮ অদুগা নুপীনা ২,৯৮০ অপূনবা বন্দি মশীং ১৮,১৩৮ য়ৌখি হায়রি।

ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী বন্দি ওইনা পুরকখিবা মীওইশিং অদু অমুবা ঈশিং মপৈ মপৈনা কোয়শিনবা ঈথৎ অসিদা নমদুনা বন্দি ওইনা খুন্দা লৈতাহন্ননবা থবক লৌখৎপা হৌখি। কালা পানি হায়বা ৱাহৈ অসিমক ৱাহৈ অমত্তনা মান্নবা ৱাহন অনী ফোঙদোকপা ৱাহৈনি হায়না লৌনৈ। গোপাল গোদসেগী মতুংইন্না কালা পানি হায়বা ৱাহৈ অসি সমুদ্রগী অমুবা ঈশিং অদু নত্তে হায়রি। সংস্কৃত ৱাহৈ কাল হায়বসি শিবগী মতম হায়বনি অদুগা ‘কাল-পানি’ হায়রিবা অসিনা অমুক হল্লক্লরোইদবা অশিবগী ঈশিং নৎত্রগা শোয়দনা শিরগদবা মফম হায়বনি হায়রি। কালা পানিদা চৈরাক পীদুনা লোই থাখিবশিং অদু মখোয়গী ৱায়েল অমদি মখোয়গী পুন্সি কনানসু খঙদে। কনানসু তাদে। নারক্তা লৈবগা পানখক্লি। মখোয়গী পুন্সি অশিবগী চৈরাক্তগী হেন্না তমথিবা চৈরাকনি। তশেংনমক কালা-পানি হায়রগা খঙনরিবা অসিদি তমথিবা নরক্তগী হেল্লবা মীওইবগী শাজৎ নত্তবা দন্দি অমা মপুন্সিদা ফংবা অদুবুনি হায়না লৌনৈ।

**সেলিউল্যার জেল ঃ-** মায়কৈ মরিদা চেকপল খাজিনবা জেল অমা শাবা য়ারোইদবগী ফীভম লাকপদগী কুমজা ১৮৭৯ দা কোলোনেল কাদেল, মতম অদুগী চীফ কম্মিস্নারনা পোর্ট ব্লেয়রগী অবেরদীনদা অচৌবা জেল অমা শাননবা য়ূস্ফম থোনবা হৌখি। চহী ২৭ চঙনা শারবা মতুংদা জেল অসি কুমজা ১৯০৬ তা শাবা লোইশিনখি। জেল অসিগী মওং মতৌ অসি ময়ায়দা ফুরা মওংদৌনা শাই। মথোন ৫ ৱাংবা মায়কৈ মরিমক্তা লোইনা উবা অদুগা ময়ায়দগী মশা ৭ লোংবা অমদি মথোল অহুম ৱাংবা জেল অসি সোলিটরি কনফাইমেন্টগী মওংদা শেম্বা জেলনি। অহানবা মশাদা সেল ১০৫, অনীশুবা মশাদসু সেল ১০৫, অহুমশুবা মশাদা ১৫৬, মরিশুবা মশাদা ৬৬, মঙাশুবদা ৭৮, তরুকশুবদা ৬০ অদুগা ৭ শুবদনা ১২৬ নি। অপূনবা সেল মশীং ৬৯৬ লৈ।

-মথং-মথং

## মরোল থোকপা লাই

